## GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTo23/04/22**
VALID FROM18/04/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto12/03/22**
Valid from 28/02/2022
**Stock 306 nos.**
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**BOOKING UP 28/04/2022**
Valid from 18/04/2022
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 22-04-22
**B/upto - 29-04-22**
**Stock 612**
7am to 10am

**GBD INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO :-12/05/2022**
Valid from :-05/04/2022
**Stock :- 296**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday )
Contact no. 9362178800 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO 07/03/2022**
VALID FROM 28/02/2021
**STOCK 306 DBTL ONLY**
TIMING 8 AM TO 10 AM

**TDK GAS**
**BK. UPTO 25/03/23.**
VF. 24/ 03/ 22.
**STK. 306.**
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 05-04-2022**
VALID FROM 03-04-2022
**STK 306**
TIME 7:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 28-05-2022
CONTACT NO -7005695308, 6009772483

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 24/05/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-28-02-2022**
VALID FROM 14-02-2022
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 19/04/22
Valid from 09/04/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (9615943811)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 15/05/2022**
Valid From 20/04/2022

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.


## শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ-২০২১-২২

# টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী 'ইমা মচা' উৎখ্রে

**নোমিতা খোংবান্তাবম**

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল (এম এস এস এল সী) না শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরক্লিবা শুমাং লীলাগী নীংথম কুম্মৈ, ২০২০-২২গী ঙসি নিপালনি চল্লকপদা টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী 'ইমা মচা' উৎখ্রে।



লীলা অসি হৈস্নামচা ধরমেন্দ্রনা ইরগা গোকুল মঙাংনা তাকপী তন্বীবনি। ঈশৈ ময়েকশিং অইবা মশামক অমসুং য়ু গান্ধীনা ইবনি। রিঙ্গোনা ম্যুজিক দিরেক্সন পীরগা কোরিওগ্রাফরদা য়াইফ দিদি আইনি।

লীলাগী ৱারীদা মমা মপা মশক খঙজদবা কোলেজগী ওজা ওইরবী অমনা মচা শক্লা নাওকোঞ্জরকখিবা অঙাং অমা মহৈ তমহন্দুনা অচৌবা মীশক ওইনবগী মঙলান মঙজরকখি। মসিদা থবক চাওনা তৌবা মপা মচাদং লৈরগা মচাগী অৱাৎপা লৈহন্দনা মহৈ তমহল্লকখিবনি। অদুবু অৱাৎপা লৈত্রবা অমসুং শেলসু য়াম্না থোকপা এস দি ও ওইবগী মচানি হায়বা অমগী নাপলদা তাওদুনা লাইরিক লাইশুদা খোইজংদনা ঈথক ঈরাংদা তাওবা মীওই অমগী প্লোটসু শাগৎলক্লি। ঈথক ঈরাংদা তাওরকপদগী মমান্নবা ফাওবা য়েক্লবনি খন্দুনা লাঞ্জদ্রবা মমান্নববুসু ফূবিখি। থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎলিবা অপোকপা মপাগুম্না মমান্নবগী মপাগুম নোল্লুকপা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎলকপগী মতৌদা মচানুপাদা পাড়া তন্বীখিবগী ৱাখল তাহনখিবা লীলানি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা শকহেনদা কৈ কুবের, লেম্বদা অরাপতি জয়, মৈরাবদা কেন মোইরাং, থানিলদা গোকুল মঙাং, ৱাংলেনদা রোবিন অমসুং য়াইফবদা শাগরনি। নুপীগী শক্তমদা মতৌলৈবীদা শর্জু, থোইবীচাদা হোবি সাপম অমসুং সনারৈদা অঙাংচানি। নুপা খোঞ্জেলদা মঙ্গিরাজ নোংথোম্বম অমসুং নুপী খোঞ্জেলদনা পহারি খ্বাইরাকপমনি। তবলাদা বোবি, পেদ দ্রমদা অজিৎ, কি বোর্দতা রিঙ্গো, বাঁসিদা বোর্দিন অমসুং গিটরদা বোদেনি।

## মার্ক হাওকিপ চৈরাক পীদনা

*লামায় ১গী মখা...* উশিৎতবনি হায়খি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কবুই মাদরস এসোসিএসনগা তোঙান তোঙানবা লূপ ১০ - পান্দম, সী এল কে, কে এস এ, ঈপাক, কংলামৈ, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (ইম্ফাল জোন), ইপসা, কিলনচিংবা য়াওনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখি অদুবু মহাক্তি মতম শাংনা লোৎতুনা লৈরকখিবনি। হন্দক পুলিসনা মহাকপু দেল্লীদগী ফাবা ঙমখিবা অসিমক থাগৎলি। মহাক চৈরাক পীদনা থাদোকপা য়ারোই। মঙোন্দা চৈরাক পীহৌদবা তারবদি মণিপুরগী ফ্রীদম ফাইটরশিংদসু রানি গাইদিনলিয়ুদা হায়খিবগুম্না হায়রক্কনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কিলগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা মার্ক হাওকিপপু লৈঙাক্লা মতিক চাবা চৈরাক পীবিনবা দিমান্দ তৌখ্রে হায়রদুনা মহাকপু চৈরাক পীবগা লোয়ননা মীওই অমত্তনা মহাক্কী মতৌ তমহন্দনবা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

## জৱাহরলাল নেহরু সেক্যুলরিজমদা...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্না পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা থাজবা থমদুনা কোংগ্রেসকীদমক চাওখৎ থৌরাং কয়া পাঙথোক্লম্মী। কুমজা ১৯৫০দা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি হায়না য়াম্না মরু ওইনা খন্নরিবা অসি জৱাহরলাল নেহরুনা হৌদোক্লম্বনি। মহাক য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটিদা থাজবা থমদুনা কোংগ্রেসকী কর্ম্মি কয়াবু লৈবাক শীনবা থুংনা চাওখৎহন্নবা হোৎনরম্বা মীশকনি। মহাক্লা পামজরম্বা থবকশিং পাঙথোক্তুনা মদুবু ফংনবগীদমক ঙসি মহাক্কী ৫৮শুবা লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোকপনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পূম্নমক্লা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা রেপ ভিক্তিম ১গী মমাদা ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাওবা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাদা থম্লক্লিবনি।

খ্বাইদগী তাঙনা থোকখিবা তমথীরবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদু মরাম কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না মফম অদুগী খুঙ্গাশিংনা লৈরোল চনশিল্লুরবনি। অদুবু থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী মাও পুলিস ষ্টেসনগী মতম অদুদা সেকেন্দ ওফিসর ইন-চার্জ ওইখিবা সব ইন্সপেক্টর টিমোথি রোনামাইনা সুও মোটুদা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস এফ আই আর নম্বর ২২ (১২) ২০১৫ অন্দর সেক্সন ৩৭৬, ৩০২ আই পি সী অমসুং ৬-পোক্সো এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথরকখিবনি। চেন্নরিবা আর দেভিদপুসু ফাগৎলগা মহাক্কী মথক্তা কোর্ট অসিদা চার্জশীট থাগৎলক্লবা মতুং স্পেসল জজ (পোক্সো), সেনাপতি ওইখিবী এ নৌতুনেশ্বরিগী কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েল চথরগা চেন্নরিবা মীওই অসিবু শিদ্রিবা ফাওবা থৌরি য়ান্নবগী ওর্দর পীখিবনি। অদুগা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অসিগী অপোকপী মমাদনা শেনফমশিং অসি কম্পেন্সেসন ওইনা পীননবা ওর্দর পীরমখিবনি।

### সী আর পি এফকী এ সী

*লামায় ১গী মখা...* মথংশিংনা মিলিটেন্ট ৩/৩ হাংলগা খূৎশু খূৎলায় কয়া ফাগৎলকখিবদা নত্তনা অহানবগী থৌদোক্তা সী আর পি এফ পর্সনেল ৫সু রেস্ক্যু তৌবা ঙমখিবনি হায়রি।

মহাক হান্নসু পি এম জিগী ২শুবা বার অমসুং প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি ফংলবা ওফিসরনি হায়রি।


অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৮৮°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৫৬°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০৩.০৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৭


**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.084473 |
| US Dollar | 77.580441 |
| British Pound | 97.760890 |
| Australian Dollar | 55.383340 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.555982 |
| Japanese Yen | 0.610632 |
| Malaysian Ringgit | 17.715420 |
| Singapore Dollar | 56.632755 |
| South Korean Won | 0.061944 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.688118 |
| Thai Baht | 2.270935 |

## জিরিবামগী ওক্সিজেন প্লান্ট...

*লামায় ১গী মখা...* চাইদুনা লৈরম্লে।

ওক্সিজেন প্লান্ট অসিগী ফীভম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা সী এম ও ডা. ঈ ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোরকপদা প্লান্ট অসি শাবদা টিন কূপ্পদসু মী ওন্থবা য়াওখিবদগী টিন কূপ্পীনবা মীওই লৈতদুনা কূপশিনবা ঙমদবনি। অথুবা মতমদা শেমজিল্লগনি হায়রকখি।

অদুম ওইনমক প্লান্ট অসিগী মথক কূপ্লিবা জিঙ্ঘ নোংলৈ নুংশিংনা হুমদোকখিবদগী নোং য়ুশিন্দুনা লুপা লাখ ৯২ চঙনা শাখিবা প্লান্ট অসিগী মনুংদা থল্লিবা মেছিনশিং ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈরে। ফীভম অসি কুইনা লৈরক্লবদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী অমখক্তা ঙাইরিবা ওক্সিজেন প্লান্ট অসি মথৌ পাঙথোকপা ঙম্লক্করোইদ্রা হায়বগী চিংনবা পোক্করে হায়রি।

## বাল পুরুস্কর এৱার্দশিং ওকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং পায়খৎলি হায়খি।

ঙসি তরাম্না ওক্লিবা মহৈরোয়শিং অসি তোঙানবা লম্ অমদা হৈথোই শিংথোইরবা ঙাক্তনি হায়রদুনা মখোয়বু ওজাশিং অমসুং মমা মপানা নীংথিজনা লমজিংবীবা মথৌ তাই হায়খি। লম্শিং অসিদা তন্লিবা মহৈরোয়শিং অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী তুংগী মপাঙ্গল কল্লবা মীওই অমমম ওইহল্লক্কনি অমসুং ঐখোয়গী খুন্নাইবু চাওখৎহনবদা মখোয়দা তাংজবা য়াগনি হায়খি।

ওজাশিং অমসুং মমা মপাশিংনা মহৈরোয়শিংবু ঈংনা-চিক্লা মহৈ-মশীন তম্বদা অমসুং হেন্না ফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়খি। লোয়ননা ঙসিদগী হৌরদুনা থা অসিগী ৩১ ফাওবদা মোদেল মার্কেটিং ৱার্কশোপ অমসু নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্লগনি হায়না মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

থৌরম অদুগা লোয়ননা নেসনল গর্ল চাইল্ড দে, ২০২২গী ওনলাইনদা স্লোগান অমসুং ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন পাঙথোকখিবদা অথোই অহেন তারকখ্রবা মহৈরোয়শিংদসু সর্টিফিকেট অমসুং মনাশিং য়েন্থোকখি। পি এম আর বি পিগী মনা ফংলবা মহৈরোয়শিংদা শেল ওইনা লুপা লাখ ১/১ য়াওনা মেদল অমসুং সর্টিফিকেট পীরকখিবনি।

## ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগড়দা লৈবা মণিপুরীশিং মাইনোরিটি...

*লামায় ১গী মখা...* মফম অসিদা মণিপুরী হায়রগা খঙনরিবা মীতৈ অমদি বিষ্ণুপ্রিয়াশিংনা খুন্দারকখিবনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৭তা মতম অদুগী ত্রিপুরাগী নিংথৌ বির বিক্রম মনিকয়ো বহাদুরনা মফম অসিদা বঙ্গালিশিং খুন্দাবা য়াবগী অয়াবা পীখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা বাংলাদেশকী নীংতম্বগী লান মতুং কুমজা ১৯৭২গী মতমদগী মশীং য়াম্লবা বেঙ্গালি কয়া মফম অসিদা চঙশিল্লত্তুনা খুন্দাবা হৌরক্তুনা ত্রিপুরাগী লৈঙাক ফাওবা বেঙ্গোলিশিংনা পায়খ্রবা মতুংদগী ধর্ম্মনগড়দা লৈরম্বা মণিপুরীশিং শুফম নোমফম লৈরক্তবা অমদি লৈঙাক্কী থবক চঙবগী চাং খঙহন হন্থখি।

ফীভম অসিদগী লমদম অসিদা লৈরম্বা মণিপুরীশিংনা হিংনবা হোৎনবদা মশাগী লন-থুম য়োনবা হৌরকখিবা অদুনা ঙসিদি ধর্ম্মনগড় লমশিং অসি চাদা ৮০দি বঙ্গালিনা ওইদুনা মীতৈনা খুন্দাবা লৈকায় তরেৎ হায়বদি রাজবারি, ইচাই, কামেশ্বর, বাগবাসা, দেৱানপসা, রাজনগর অমসুং জোল্লা ভশানি। লোয়ননা বিষ্ণুপ্রিয়ানা খুন্দাবা লৈকায় তরেৎ খক্তা ঙাইরে। মরম অসিনা মূখরক্লিবা মণিপুরীশিংগী শক্তম অসি কন্নবা ত্রিপুরা লৈঙাক্লা মণিপুরীশিংবু লৈঙাক্কী থবক চঙবদা রিজার্ভেসন থম্বীয়ু। মসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লসু ত্রিপুরা লৈঙাক্তা তকশিনবীদুনা লমদম তাম্না লৈরিবা মণিপুরীশিংগী অৱাবা অসিদা মতেং পাংবীয়ু। ধর্ম্মনগড়দা মণিপুরদগী লাকপা মীয়াম্না লৈফম লৈতবগী অৱাবা কয়া অমসু মতম শাংনা মায়োক্লদুনা লাক্লিবা অসিগীসু য়েংলগা মফম অসিদা মণিপুরগী ভৱন নৎত্রগা গেষ্ট হাওস অমা শাবীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর অথোকপম চীংলেম্বনা মখা তারদুনা, ত্রিপুরাদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা ঙসি য়াম্না ৱানা লৈরম্বা অসিদা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দনসু মণিপুরদা হল্লবা মতুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবদা পাউদমদুনা মফম অসিগী খুঙ্গাশিংনা পাল্লিবশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। মরম অসিনা হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু লমদম তাম্না লৈরিবা মণিপুরীশিংগীদমক অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মখোয়বু মহৌশাগুম্না নুংঙাইনা লৈবা য়াহন্নবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়খি।

## সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা

# সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট, তমেংলোং অমসুং চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা লুচিংদুনা জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট, ২০১৫গী মখাদা লৈরিবা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্কী ওইবা সেন্সিটাইজেসন কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি নুংথিল লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা এ দি আর বিল্ডিংগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা তমেংলোং দি এল এস এগী সেক্রেটরি ডা. লাইশ্রম রিনা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দি এল এস এগী সেক্রেটরি হিরালতা মোইরাংথেমসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মসলসাগী এদিসনেল মেম্বর সেক্রেটরি সোরোকখাইবম সদানন্দসু শরুক য়াখি। অদুগা ঙসিগী সেন্সিটাইজেসন কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটিগী মেম্বরশিং, জুবেনাইল জষ্টিস বোর্দকী মেম্বরশিং, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসরশিং, লিগেল কম প্রোবেসন ওফিসরশিং, কাউন্সেল্লরশিং, চাইল্ড কেয়র ইন্সটিট্যুসনশিংগী সুপরিন্টেন্দনটশিংদা মরু ওইনা চিলদ্রেন হোম, ওপন সেল্টর, ওবজার্ভেসন হোম, স্পেসল হোম অমসুং এদোপসন এজেন্সী অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট, তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা লৈবা ফিট ফেসিটিশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অদু সেসন্স জজ, এ গুনেশ্বরনা 'ওভর ভিয়ু ওফ দি জুবেনাইল জষ্টিস (কেয়র এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট, ২০১৫' হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকপগা লোয়ননা জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট, ২০১৫গী মখাদা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা প্রোব্লেমশিংগী ওইবা গ্রুপ দিস্কসন অমা পাঙথোক্তুনা হৌদোকখি।

মহাক্না জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট, ২০১৫না পীবা তঙাইফদবা কাঙলোনশিং ঙাক্লা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্লা চৎপীনবা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা মসিবু ঙাক্লা চৎপা অসিনা এক্ট অসিনা পীরিবা প্রোভিজনশিং কাঙলোন চুম্না অঙাংশিংগীদমক য়েংদুনা চৎহনবগী খ্বাইদগী ফবা পান্থে ওইগনি হায়খি।

মসলসাগী এদিসনেল মেম্বর সেক্রেটরি এস সদানন্দনা 'বেল এন্দ ওফেন্সেস বাই এন্দ এগেনষ্ট চিলদ্রেন' হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। হিরালতা মোইরাংথেমনা 'জেনরেল প্রিন্সিপলস টু বি ফোলোদ ইন এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ দি জে জে এক্ট, ২০১৫' হায়বা টোপিক অসিগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম থমখি।

## হিরোইন কিলো মখায় হেন্না ফারে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) : ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২০ লোম তারকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী সব ইন্সপেক্টর রোবিন্দ্রো ব্রাওননা লুচিংবা টিম অমনা সেরৌরোমদগী লাকখিবা মীওই ২ তোংবা রোয়েল ইনফিল্ড অমা চেক তৌনবগীদমক খাম্নবা হায়রুবদা নাম্থোক্তুনা চেনখিগে তৌবদগী তান্নদুনা ফাবগা লোয়ননা মখোয় অনীবু চেক তৌরুবদা সাপোন কেপ ৪০দা হিরোইন গ্রাম ৫০২ য়াওরম্বদগী ফাগৎলে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি চকপি কারোংগী হায়কা ঐচ ভিলেজদগী মাংমুৱানলিয়ান (৩০) অপোকপা লুনচিনমাং অমসুং থাংগুৱানলিয়ান জৌ (২৭) অপোকপা নেলচিনমাংনি হায়রি। ফারবা হিরোইন অমসুং মখোয়না তোংলকখিবা গাড়ী অদুগা কোন্ননা শুগুনু পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৫০ রোম তারকপদা কাঞ্চিপুরগী ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুল মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো অমসুং শীংজমৈ পি এসকী পর্সনেলশিংনা অচৎ অওকশিং চেক তৌরিঙৈদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা লিলোং তম্না লাকখিবা ইকো ভেন এম এন - ০৬/এল বি-৯৩৬৪ চেক তৌবদা ইল্লিগেল দ্রগশিংনি হায়বা ক্লেভাইটোর-৫০ অমসুং ত্রামাদোর ঐচ সী এল কেপসুল য়াওরম্বা কার্টুন বোক্স অনী ফারে হায়রি।

হায়রিবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অসি পুরকখিবা গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা এম দি অস্কর হুসেন (৩৫) অপোকপা অবদুল বারি, চঙমদবী অমসুং কো দ্রাইভর অদুগী মমিংনা এম দি সহাবউদ্দিন (৪২) অপোকপা এম দি নেজামউদ্দিন কৌই, থৌবাল ৱাংখেমদগীনি হায়রি।

## অনৌবা পেন্সন সিষ্টম পামদে...

*লামায় ১গী মখা...* মমল কন্ট্রোল তৌবীয়ু। থবক্তগী পোথারবা এমপ্লোয়ীশিংদা পীথোকফম থোক্লিবা পেন্সনরি বেনিফিটশিং থিন্থবা তৌদনা পীগদবনি হায়খি।

লোয়ননা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা চৎনরিবা সিষ্টম অদুগা মান্ননা মণিপুরদসু চৎনহনবীয়ু হায়খি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা নেসনল দিমান্দস দে অসিদা তাল্লিবা দিমান্দশিং পূন্না ১২নি। হায়রিবা দিমান্দশিং অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকক্লবা মতমগী মনুংদা পীদ্রবদি পামদবা থৌওংশিং চথরকপা য়াই হায়খি।

ঙসিগী দিমান্দস দে অদুদা শরুক য়াখিবা এমপ্লোয়ীশিং অদু ট্রান্সপোর্ট, টেক্সেসন, ইলেক্ট্রিসিটি, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং পি দব্লিয়ু দিনচিংবগী য়াওখি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অসিগী থৌরম অদু লঞ্চ ব্রেক মমাঙদা খক্তমক চথরবা লঞ্চ মতুংদগীদি এমপ্লোয়ীশিংনা মশা মশাগী মথৌদা হঞ্জিন্নদুনা পাঙথোক্লখি।

# পুলিসনা নুমিৎ ৮নিগী কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা ...

*লামায় ১গী মখা...* অমা য়াওনা এমপ্লোয়ী অনীগী সিওরিটি ফর্নিস তৌননবা হায়বদা মহাক্কী মায়কৈদগী কোর্টনা পীরিবা বেল বোন্দশিং অসি ফর্নিস তৌদবদগী কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

মহাকপু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা দেল্লীদগী ফাগৎখিবা মতমদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা তোঙান তোঙানবা কেস অহুমগী মখাদা চার্জ তৌখ্রবসু ঙসি নুমিদাং মহাকপু ইম্ফাল ৱেষ্টকী দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতা পুথোরকখিবদদি মহাক্কী মথক্তা ইম্ফাল পি এসকী কেস এফ আই আর নম্বর ৬০ (৪) ২০২১ অন্দর সেক্সন ১৫৩-এ, ৫০৫ (১) (বি) (২), ৫০৬, ১২০ বি আই পি সী চার্জ তৌরকখি।

লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী মহাকপু ঙসিদগী হৌরদুনা মথং থাগী ৩ ফাওবা নুমিৎ ৮নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকপদা পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা সোসল মীদিয়াগী ফেসবুক প্লেটফোর্মদা 'মার্ক হাওকিপ হ্যুমেন' কৌবা য়ুজর আই দি অমগী মিংদা মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট অদু মণিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এদভাইজর ভি পি মেননগা শিলোংদা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা খূৎয়েক পীনখিবনি। এগ্রিমেন্ট অদুদা মণিপুরগী মহারাজনা মহাক্কী টেরিটোরি, টাইটলস, ওথোরিটি, রাইটস অমসুং মহারাজগী পর্সনেল প্রোপর্টিশিং অমদি রিলিজিয়স রাইটসশিং নত্তনা প্রিভিলেজ পূম্নমক সরেন্দর তৌখিবনি। অদুগা চহী অমদা লুপা লাখ ৩/৩গী শেনফম ফংখিবনি।

থৌদৌ অসিনা মণিপুরগী লৈবাক অমা ওইবগী সোভরেন্টি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স মাঙহনখিবনি অদুগা মর্জর এগ্রিমেন্ট অদুনা কোনশিনখিবা মণিপুরগী টেরিটোরিগী পাক চাওবনা স্কৱার মাইল ৭০০ নৎত্রগা হেক্টর ২৬,৫০০নি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক মর্জর এগ্রিমেন্ট অদুদা খূৎয়েক পীখিবা মণিপুরগী মহারাজনা মণিপুরগী ত্রাইবেল চীফশিং অমসুং মখোয়গী মীয়াম্না ওক্যুপাইদ তৌবা লমশিংদি কোনশিনখিদে। মরমদি মণিপুরগী মহারাজ অদু ত্রাইবেল রিপ্রজেন্টেটিভ অমা ওইখিদবনা ত্রাইবেল মীয়ামগী ওথোরিটি অমা ওইখিদে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অপলোদ তৌরকখিবনি হায়রি।

লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা খূৎয়েক পীনখিবা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসন অদুনসু মণিপুরগী চীংগী এরিয়াশিং কোনশিখিদে হায়বসিনি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসি মহাক্না সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরকপনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনহন্দবা অমসুং য়েংথিনবা পোকহনবগা লোয়ননা মণিপুরগী মীয়ামদা চমম্নবা ৱাখলশিং পোকহন্নবা হোৎনরে হায়খি।

মরম অসিনা মহাকপু মপূং ফানা ইনভেষ্টিগেসন তৌনবা থৌরাং তৌরি অদুগা কুকি লোলদা ইবা ৱাফমশিংসু ত্রান্সলেট তৌদুনা এগজামিন তৌবগা লোয়ননা অতোপ্পা ইভিদেন্সশিং ফংনবগীদমক ইলেক্ট্রোনিক এক্সপার্ট শীজিন্নদুনা চিংনরিবা দিভাইসশিং এগজামিন তৌবা মথৌ তারে হায়খি। মরম অসিনা মহাকপু কোর্টনা নুমিৎ ৮নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখি।

অদুম ওইনমক পুলিসনা মহাকপু মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবা অদুবু ডা. মার্ককী মায়কৈদগী ওবজেক্সন তৌরকপগা লোয়ননা বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌখি।

দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনা নাকল অনীমক্কী প্রেয়রশিং লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা মহাকপু বেল কেস অসিদগী বেল পীখি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী কোর্টনা থমখিবা বেল বোন্দশিং ফর্নিস তৌরক্তবদগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

অমরোমদা, মহাকপু পুলিসনা তোঙান তোঙানবা চার্জশিং তৌরদুনা দেল্লীদা ফারগা ইম্ফালদা পুরকখিবা অমসুং কোর্টতা পুথোরকপগা ইরোয়ননা মহাক্কী অপোকপা এম লিনখোসৈ হাওকিপ (৭৬), ময়াম্বা পাওখোথাং হাওকিপ অমসুং অপোকপী বৈখোচিন হাওকিপনা ঙসি পাউমী খরদা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউমীশিংদা ডা. মার্ক থাংমাং হাওকিপপু ম্যান্মার মচানি হায়না ফোঙদোকখি হায়রদুনা ৱাফম অসিমক অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা ডা. মার্ককী ময়াম্বা পাওখোথাং হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা ভিদিও ক্লিপশিংদগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু থেংনবগা লোয়ননা মনাওনুপা ডা. মার্কপু ম্যান্মার মচানি/ফোরেন্নরনি হায়রকখিবা অদুদা অঙকপা ফাওই হায়খি। মখোয়গী লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংদগী হৌরদুনা মখোয় নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মণিপুরদা লৈরক্লবনি হায়খি।

ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসন মণিপুর চেপ্টরগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা মহাক্কী মনাওনুপা অসি ম্যান্মারদা মিলিটরি কূ তৌখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারদা থোরকখিবা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন তৌবগী থৌদোকশিং য়েংশিন্নবগীদমক এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি হায়রদুনা মসিদা খক্তা মনাওনুপাগা ম্যান্মারগা মরী লৈনবনি হায়খি।

থোরক্লিবা ইস্যু অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা ডা. মার্ক হাওকিপকী ফেমিলিগী ৱারী, হৌরকফম অমসুং লৈরকখিবা মফমগী মতাংদা খঙদ্রে হায়খি। বৃটিশনা ইন্দিয়াদা লাকত্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়দি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি সব দিভিজনগী তোলেন হায়কোট ভিলেজগী খুঙ্গাশিংনি অদুবু মহৈ-মশীন তম্বদা হেন্না খুদোং চানবদগীদমক কুমজা ১৯৯৩দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা হোংলকখিবনি হায়রি।

আই সী এস ওফিসর অমা ওইখিবা দব্লিয়ু সী দ্যুন ইরম্বা লাইরিক অমসুং মণিপুর গেজেট-১৮১২গী মতুংইন্না মখোয়গী অহল-লমনশিং এদমিনিষ্ট্রেটরশিং ওইরমখ্রবসু চীফ মিনিষ্টরনা ডা. মার্ক হাওকিপপু ম্যান্মার মচানি হায়রকপসি লাইবক থীবনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা ডা. মার্ক হাওকিপকী অপোকপনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপা দৌজাপাও হাওকিপ ইন্দিয়ন নেসনল আর্মি (আই এন এ) গী মেম্বর অমা ওইরম্মী। মহাক মশামকসু ইন্দিয়া মচা ওইরগদি মহাক্কী মচানুপানা মতৌ করম্না ম্যান্মার মচা ওইগদৌরিবনো হংখি। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমশিং অদু য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়রদুনা ডা. মার্ক হাওকিপকী অপোকপনা মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীসু মহাক্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা লৈবা লমদিং হায়স্কুলদা ক্লাসমেট ওইনা লাইরিক তম্মীন্নরকখি। তুংদা মহাক হিন্দিগী ওজা ওইনসু থবক তৌরমখি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি দেল্লীদগী ইম্ফালদা পুরকখ্রবা ডা. মার্ক হাওকিপপু ইম্ফাল পি এসকী মায়কৈদগী কেস অমখক চার্জ তৌরদুনা কোর্টতা পুথোরকপদা কোর্টনা বেল পীখ্রবসু মহাকপু দেল্লীদা ফাখিবা মতমদদি অতোপ্পা কেস অনী অমসু চার্জ তৌখিবগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা মহাকপু সমন পীখিবসু লৈখি। মরম অদুনা কেস অমদা কোর্টনা বেল পীরক্লবসু লেমহৌরিবা কেস খরদা মহাকপু মথং মথং ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরক্লবা য়াই হায়রি।



HL-P/2391/30 April to 22 June